# “ইমা লৈবাক মণিপুর লৈকংলা ওইরে-!”

– এল ইবোমচা –



মীতৈশিংগী মরক্তা মরৈবাক নুংশিদবা অমত্তা লৈতে অদুবু লৈবাক্কী অৱা-অনা খুদোংথীবা তারিঙৈ মরক্তুদা খুদোংচাবা লৌনবা, ফংননবা হোৎনবা মীওই লৈতবা নত্তে। মী খরদি মতমদুগী অকনবা লান অদুদা মপি তৈথোক তৈথোক্লা লান অদু শুক্লোই লোইহন্নীংদবা লৈ। সেন্টরগী লুচিংবশিং অমদি মতম অদুগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরবু মচিন পেন্না-পেন্না চৈরিবদুসু মখোয় অসিগুম্বা মীওইশিং অসিনি। ঈরাং খজিক্তং লাকপদা মখোয়না মাঙ থানা লাউবা খোংবা, ইমা ইবেলশিংদা মৈরা পায়দুনা থোক্নরক্লবা অমসুং অহিং য়ারেক্লবা অকনবা য়াথং তৌখিবা লৈ। অদুগা ঈরাংদু খজিক্তং নেমথখিবদা মশক উবা ফংলরোই, মৱা মপাউসু তাবা ফংলরোই। মাইবীনা অরাপ্পদগী লাই হরাওবগী লাইবৌ চোংবা মখোল তারকপদা লাই তোংদুনা মশা থক-থক নিক্লক্তুনা চোইরোল পারোন লোল্লকপগুম্না মফম অমদগীবু নোংমৈ মখোল অহুম মরি মঙা -দং দং তাবদা ইলেক্ট্রিক পোষ্ট খিংনবা লৈকায়গী অঙাং খরদা ইনশিল্লস্লগা শ্বাই লাউনা মাঙখিগনি। ঙক্লিবদি মীচম মীয়াম্না অমদি সী এস ও ময়াম্না লাউ খোংলিবা, ইমা ইবেল কয়া কয়ানা লমজাউ সড়কতা থোক্তুনা শান্তি লাক্লবা হোৎনরিবা, লৈকায় লৈকায়গী ক্লবতা অহিং য়ারেক্তুনা কুকি চঙলক্তনবা থৎলকপা নুমিৎ মশীং অদুক য়াম্লবা অদুদা লান লোইশিন্নবগী ৱাখল পোক্লক্তুনা থৱায় য়াওবগী মমি তাবা মণিপুরগী পোলিটিক্সতা হৈ-শিংলবা লুচিংবা অমত্তা থোক্লকখিদবা অদুনি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনষ্টর য়াম্না ফবা ৱাখল লৌশিং লৈরবা মীশক অমনি। লান অদুগী অকৃপ্পা ৱারমদু মহাক্না করিগী খঙলম্লোই। মহাক অপঙবা মী অমা নত্তে। মহাক্কী পার্টিগী খুদোংচাবা লৌনবা পংশিন্নবা মরোল থোক্তবা মী শাশিন্নবনি। মহাক অসি হিন্দু ধর্ম্ম অমদি মহাক্কী বি জে পিদা য়াম্না ঙাওজবনি। মহাক্না নাকল অমরোমদা তোংশিল্লুবদা নাকল অমনা মাগী পার্টিবু লান্না উদুনা পার্টিদুগী লাপথোকখিগনি চিংনৈ, পার্টিদগী তোকখ্রদি মাঙজরগনি খল্লি। অদুননি হন্দক্কী লান অসিগী সুপ্রিম কম্মান্দর ওইরিবা আইন থুগায়রে খঙলবা কুকি এম এল এ খরদা চৈরাক পীদনা নীংঙাইদনা লৈথোক্লিবা অসিদগী শেংনা খঙবা ঙল্লে। প্রাইম মিনিষ্টরনবু মাগী পার্টিগী খল্লমদ্রবা হন্দক্কী লান অসি নহান্না লোইরম্লগনি। মণিপুর লৈঙাকসু নহান্না নে-তানা লৈবাক ঙাক্লম্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মওং মতৌ অসিনা মণিপুর লৈঙাক মতিং ফুদোকপা ঙমদবনি। মোদিগী ৱাখলদি মণিপুরগী ইস্যুদা মাগী পার্টিগী মেম্বর মশীং হন্থখিগদবগী শরুক খরা উ, খরা উদা, অসুম লৈশিনবনা হেন্না ফৈ হায়বসিনি। লৈবাক্কী অরুবা থৌদোক ৱাথোক্তা কোক থাদগদবগী শরুক মাগী বি জে পিগী মপাঙ্গল কলহন্নবা হোৎনবনা হেন্না ফৈ খনবা মীনি। মরম অসিনা বি জে পিগীদমক্তি মোদিসি মীৎনা উবা লাইনি। অদুনদি মোদিনা লুচিংবা বি জে পিগুম্না মরাইবক ফবা পার্টি অমত্তা ইন্দিয়াদা লৈখিদ্রি হায়বা য়াই।

অমরোমদা, কুকিগী মীশিং ঈশিং ঈচাওগুম্না জর-জর হেনগৎলকখিবসি কুমজা ১৯৬২দা ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখ্রবা মতুংদনি। মিলিটরি লৈঙাক লাকপা হেক হৌবগা করম্বা লৈবাক্কীনো খঙদবা শক্তিমান গাড়ীদা কুকিগী মীওই মপোৎ-মপোৎ মোটবুংদা অমদি কাংপোকপীদা হোল্লক্তুনা থুংলখি। থুংলবা মীশিং অদুনা খাংপোকশঙ মচা মচা কয়া শাদুনা লৈশিনবা হৌখি। মতমদুদা অউবা মীতৈশিংনা কুকিশিংদা লক্লখিবা অমা লৈ। মদুদি - য়ূম পীক্লবসু থোঙদুদদি মী চঙবা য়ানবা পাল্লুদনা, মদুদা মখোয়না খুল্লকই - য়ূম পীক্লবসু থোঙ পানবদবু মী চঙবা য়াররোইদবা থোঙবু পানবা হৌনব্রা? ৱাদু তারুবদা অতাবশিং ৱা লাউনা নোকই। অসুম্না ইপং পংবা মানবা কুকিশিংগী ৱাঙাঙ-শঙাঙ অদু চীংমাই অমদা পুল্লপ পূন্না লৈমিন্নরিবা নাগাশিং অমদি মীতৈশিং থোইনা হেন্না লূম্না খঞ্জিল্লুদে। ম্যান্মার লান্মীনা ওৎপী-নৈবীবদগী মতম খরগী ওইনা লৈজরবা ওইরিগনি, হয়েং মিলিটরি লৈঙাক লোইরবা মতুংদা মরন্নাই হঞ্জখিগনি হায়বসিনি। শারিবা য়ূমশিং অদুসু য়ূম শাগদবা মফম অদুদা হৌরম্বা উ খরনা পঙশাদা শারগা চীংদা মরাং কায়না ফংবা শিংমুৎ শিংনাংনা মথক্তা কুপ্পনি অমদি মদুনা ফক্লাং খারগা টেম্পররিগী টাইপ্তা পংলৈদা লৈনবনি। লোন-লিসু কয়া ফাওনদবা অদুনা মীতৈশিংনা মখোয় অসি য়ূম হোংলকপনি খল্লুদে, লাঞ্জেল্লকপনি হায়না খন্নখি।

অদুগা মতমদুগী মণিপুরগী লৈঙাক্না ফাওবা মীওইবগী মীনুংশি য়েংলগা রিলিফ মেটরিএলশিং ফংহল্লি। শেল তাঞ্জনবা তুরেল খোংনুং মনুংদা লৈঙোই পেকপা, নিকপা, নুঙ থুগাইবা তৌহন্দুনা শেম্থোক লম্বী শেম্বীখিবা লৈখি। অদুগা মীতৈশিংনসু শেল খরা ফংজনবা হায়দুনা লৌউ-শিংউবগী খুলং ওইনসু নেক্লম্মী। মরু ওইনা উ-ৱা য়ানবা, উসা থাবদসু মখোয়বু শেল পীদুনা নেক্লম্মী।

মণিপুরগী অঙৈং অশা খংহোং হোংলক্লিবসি কুকিশিংনা মণিপুরদা কুমজা ১৯৬২দগী ১৯৮০ ফাওবদা শক্তিমান গাড়ী মপোৎ মপোৎ হোঞ্জিল্লক্তুনা কুকিশিংনা মণিপুরদা খুন্দারক্লবা মতুংদগীনি হায়বা য়াই। মহৌশা কালেন থা ওইরবসু নোং পাইরকপা উরবদি নুংশিৎ য়াওবা নোং জম-জম চুরম্মী। উরু-উরু লৈনা শিৎলকপা উফুল য়াওবা নুংশিৎনা মপান্দা ফৌদুনা থম্বা ফিরোল কয়া অতিয়া পক্লা পুখৎখিদুনা অরাপ্পা মফমদা হুমদুনা পুখি। মতমদুগী থাজনবা হায়বা তারে অসুম্না উরু-উরু উংবা নোংলৈ নুংশিৎনা হুল্লগা পুরুবা ফিরোলশিং অদু তৌহৈদে হায়না অমুক হন্না খুল্লুদে। উফুল য়াওবা অকনবা নুংশিৎকী শাহুম্না হৌরম্বা উপাল ৱাপাল মৰূ ফুক্লা তুহল্লি। মপূং ফারবা ৱাপলশিং ৱাতোন্দু লৈবাক্তা থেঙলম্লগা গে লাউনা অমুক হন্না হাইগৎখি। অসুম্না অমুক অনীরক অকনবা নুংশিৎ শিৎলক্লবদি মায়কৈ কদোমদগী পাইরকপনো খঙদবা অমঙবা নোং মপৈ মপৈনা অতিয়া পূম্বা অসুম অসুম শন্দোকখিদুনা খুদক্তা অখাক অরাওদা লেন মতুম য়াওরবা নোং জম-জম চুথরকই। মরম অসিনা কুমজা ১৯৭২গী অসিৱাই মতমসি নুংশিৎতগী ঙাকথোক্লবা য়ূমথোঙ খুদিং নুংশিৎ শঙ অমমম মনীং ময়াদা শাদুনা থম্নরম্মী। অদুগা নোং নুংশিৎনা য়ূমদু থুদেক্তুনা ফমথরক্লবদি ফুঙ্গা ৱাইরুগী মৈনা চাক্তনবা য়োৎশবী মথক্তুদা ঈশিং থন্না য়াওবা পুন অমমম থাঙ্গৎতুনা থম্নরম্মী।

ঙসিদি সমুদ্রদগী নুংশিৎনা পুরকপা নোংগী মপৈ মপৈশিং অদু মণিপুরদা হেক য়ৌরকপদদি কুকিশিংনা মৰূ কোকথোকখ্রবা শারবা লৈমায় অদুদা লৈরম্বা অশাবা মনিল অদুগা থেংনরুবদগী হেন্নদুম ৱাংনা পাইখৎখিদুনা নোং চুরকপা ঙমদদুনা লাপ্পা পাইথোকখ্রে। মণিপুরগী লৈমায় হায়নীংঙাই লৈতনা শাগৎলক্তুনা মণিপুরগী মহৌশাগী খল কায়রক্তুনা নোং চুরক্কদবা মতম, চুরোইদবা মতম, শাগদবা মতম, শারোইদবা মতম হায়বদু মণিপুরদা লৈত্রে। মসিনা মরম ওইরগা লৌউ-শিংউদা চাউনা শীংনরক্তুনা পোত্থোক চাথোক হন্থহল্লে। মরু ওইনা ঈংবগী চাং য়াম্না শাথীনা হন্থখিবগা লোয়ননা ঈংবগী মতম তেনশিল্লে। মহৌশাদি কয়ামুক য়াম্না শাথীনা ঈংবগে হায়বদা নিংথমথাগী মতমদদি ঈনা কুপ্পা য়ূম খুদিংমক উন্না পুমঙৌ ঙৌনা তাবনা হেক য়েংবদা য়ূম খুদিংমক জিজ্ঘনা কুপ্পা য়ূমগা চপ মান্ননা উই। শা-ষণগী খোঙ্গুলদা ফাওবা উন তারম্মী।

কুমজা ১৯৬২ / ৬৩দগী মণিপুরদা চঙলকখিবা কুকিশিংনা চীংদা হৌরম্বা উশিং য়ান্থৎতুনা য়োল্লম্বদগী মৰূ কোক্লবা চীংমাইদা লৈহৌবা উগী মৰূদু অমুক ফুক্তুনা মৈতাল ইক্তুনা য়োনবা হৌরকখি। মথংদদি ইকোক কোক্লবা চীংমাই অদুদা পোপি পাম্বী থাবা অমুক হৌরকখি। পোপি পাম্বী থাবা হেক হৌরকপদগীদি অচৌবা ইনকম লাক্তুনা কুকিশিং খুয়া তুশিৎনা নুংঙাইনা হিংবা হৌরক্তুনা কুকি লায়রবা অমত্তা লৈরক্তে। মণিপুরসি স্বর্গগুম্না খনবা হৌরকখি। ইম্ফাল ময়োলদা লাক্তুনা ইঙ্খোল লৈরগা ফুরা দলান শাদুনা ইম্ফালদসু য়ূম অমা, চীংদসু য়ূম অমা য়ূম অনী থমদুনা চৎন-থোক্লা লৈবা হৌনরকখি। মচা-মশুশিং মণিপুরগী মপান লমদা থাদুনা লাইরিক লাইশু তম্বা হৌরকখি। মণিপুরদা পোপিগী মকোন ওইরম্বদগী দ্রগ শুংনবা ফেক্টরি তম্পাক্কী মফম শিন-থুংবদা লিংবা হৌরকখি। মখোয় নুংঙাইনবা হোৎনবদা “ইমা লৈবাক মণিপুর লৈকংলা ওইরে-!” কমদৌসিগে লৈবাক মচাশা??? ●

# নোং ঙাল্লরোইদবা অহিংদা মঙলাক্নরবা ফূরুপ অমগী মরাইবক

– বি সী খুমন –

কুকিগা মরী শুক্লে লৈনদবা মীশক অমনসু কুকিশিংসি থাজনরমগনি নীংদে। কুকিগী মীংচৎ লৈখা তাখ্রে। মীওইবা অমা ওইবগী চাওখৎনীংবগী অপাম্বা হায়বদু কুকিশিংগী কোক্তা য়াওদ্রে। লেম্না ফংবা শেল, লেম্না ফংবা থীবোং, লেম্না ফংবা খূৎলায়, লেম্না ফংবা ময়াই কাবা হীদাক (নিশা) তা তাউখিদুনা অচুম-অরান, তৌহৈবা-তৌহৈদবা মথোং-মরম খঙদ্রে। হৌরকফম খঙদবশিংগী পূন্সি মরেল শুকহোং হোংবা ঙম্নদ্রে। ওন্থোকপনি। শৈদাংদুনতা লাকপা পূন্সি ঙসিসু অদুম্মক শৈদাংদুনা হিংখিনি খল্লিমান্নে।

বৃটিশ লৈঙাক্না মপান ফনা মণিপুরদা হাই-হুম্না পাল্লিঙৈ কুকিগী ষ্টেটস করি ওইরম্মী। হিংননবগীদমক বৃটিশকী লেবর ওইনা বৃটিশকী মীনুংশিগী মখাদা মশীং য়ামদনা মণিপুরদা লাকখিবনি হায়বসি হায়শিন্নবনি হায়বা য়াগদ্রা? ৱাখল ৱাংবা বৃটিশরশিংনা লাইনীং লাইশোনগী মিংদা চীংমীগা তম্মীগা লাপথোক্লনবা শিনখিবনি হায়রিবা পুৱারীগী লাতম মীনম্বনি হায়দোইরা? কুকিশিং, ৱারেংজরিবা ঐগা করিসু মরী থোক্লুদে, শাওবা, ৱারৌবা নৎত্রগা মখোয়বু নুংশিবা নুংশিনদবা ঐ খঙদে। অদুবু সিমত্তংদি মুন্না খঙই, মদুদি ঙসি-ঙসিগী কুকিশিংগী খোঙথাং অচুম্বা অমত্তা য়াওদে। তৌথোরকপা থৌদোকশিং, অতোপ্পা ফূরুপশিংগীদি লাইথোকখ্রদনা মফূরুপ কুকিশিংগী ওইবা ৱাখল্লোন মচেৎ অমত্তা পক্তে। চাওথোক্লা হায়নীংলকই, কুকি কনানো লৈখাই তাদ্রিঙৈ - কুকিতগী ওইবা হোমলেন্দ তানফম শুংথোক থোক্তবনি। ফরে, তাল্লুরে, মদুগী কন্সিকেন্স ওইনা কুকি ফূরুপ পুমচাই চাইবা হৌরিসিনি। ঊচি কল্লকপদৈ ময়ূম মৈ থাই হায়বদুমক্লি। মখোয়গী ফূরুপ মরক্তসু খুরক্কী ঈনা লাই শারক্লিসিনি। কুকিশিং ‘অরানবা’ নৎত্রগা ‘অচুম্বা’ হায়বসি তোপ তোপ্পা লম্বীঅমমমনি। ফত্তবশিংনা অরানবা মশক খঙলোই, অচুম্বসু করিনো মশক খঙলোই। করিগুম্বা খঙলসু মীওইবগী চৎনবী হায়বা অমা লৈবনি কাউগনু, ‘চৎনা কাঙলোন’ কৌবনি।

হায়নৈ - মনম নুংশিখ্রবা লৈগী মনম লৈকোল লান্দে অদুবু মবুক ফত্তবা তাইবঙ মীগী মনমদি য়ুথক লান্না চৎপনি। চুমদ্রা, কুকিশিংনা ফত্তবা ঙাক্তা তৌরুবনা ঙসিদি ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটতা মখোয়বু চঙজফম পীবদি লায়রদনা অশানবা য়ূমগী কা ফাওবা কুকিশিংদা পীনদ্রে হায়নরি। নাগালেন্দদা, অসামদা, মেঘালয়দা মখোয়গী থাজবা মাঙখ্রে। পূম্নমকসি মখোয়গী লমচৎননি, মখোয়গী থৌওংননি। মখোয়না খঙদে - মখোয় (কুকি) মরৌ লৈখ্রবা লৈবাক অমগী অঙম অথৌশিংনা য়াই হায়খ্রবা-হিংলববু অহিংবগী লীচৎ চৎঙমদ্রবা মহূ পুবা খারৌ হায়বা লিনগুম্বনি। লাইগী মচানি হায়নরিবা মীতৈ/মৈতৈগী ফিজি-ফিনা নেৎলুবগী নীংঙমদবসু তপ্পা-তপ্পা লাকখিনি, ঙাইবতা কল্লু।

শাংলবা চহী লিশীং কয়াসি মীতৈনা মখোয়বু ঙাকপী শেনবীদুনতা লাকখিবনি। ঙসিদি মীতৈশিং খম থেংনা ৱারৌরে। মীতৈনা কুকিশিংগী মাঙননবা করি তৌরম্বনা অদুক হাক্লা খোইখা লিনখা থারম্বনো? কাউরবরা অদুঙৈ নাগা-কুকি লানদা মীতৈশিংনা কুকি রিফ্যুজি শিং মপান কাংজৈবুং থন্না পীজ-পীথক তৌদুনা মতু নাম্মা তেকহনখিদবদো! মদুগী মহয়রা ঙসিনা কুকিনা-মীতৈগী য়ূম মৈ থাদুনা, অউ-অউবা হাৎকনি হায়না লান্দারক্লিবসে?

কুকিশিংনসু মীতৈবু হুন্দুনা ঙাঙনরমগনি, মীতৈনা কুকিশিংবু ওৎপী নৈবীরে হায়না - পূম্নমক্তু অচুম অরান খঙবীরিবা যিশুনা নৎত্রগা মপু মানা ৱায়েল্লসনু। মীতৈসু খঙই, হন্দক্কী লানসিগী প্রোপেগন্দা ৱার ফ্যের মীতৈদগীদি কুকিশিংনা হৈশিংবা য়াম্না হেনখ্রে। হায়নীংলিবনা কুকিনা নমদুনা অরানবশিং অচুম্বা ওন্থোক্লবা লুপা খাউজাও পুদুনা চৎখি, মীতৈনা অচুম্বশিং মীৎতগী পি শিন্থনা মীয়ামদা পাউদমজখি। মচিন চেন্থি থীবা মীগী মচিন্দু ফোয়দৎলগা থাবদা হৌই হায়রদি কুকিশিংগী মচিন ফোয়রগা থানীংবা পোক্লকই হন্দক্কী মতাংসি।

সুম কোইথোক্লুরগা ৱাথী-ৱারেমনি হায়খ্রনি। কান্নদে কুকিশিং কনাসু লোগী মথক্তা লৈতবনি। চৎন-কাঙলোননা মীবু লায়না ৱারকপনি। লৈবাক্কী প্রসিন্টে, প্রাইম মিনিষ্টর, মিনিষ্টরশিং অমত্তা লোগী ৱাংমদা চৎপা য়ারোই, চৈরাক ফংগনি খঙজিল্লু। নখোয়না চথুরিবা থৌদোক ৱাথোকশিং ক্রাইম ঙাক্তনি। নখোয়দি লায়রদনা মালেম্না থক-থক নিক্লা কিনরিবা টেররিষ্টশিং ফাওবা অচুম্বা মশক খঙনরে মতমসি। কুকিশিংগী ক্রাইম মশীং থিবা ৱারে। য়াম্মনখ্রে পনবদা তু-চুংবা ঙাক্তনা পরেং লেংলে। মীতৈশিং খাঙখিগে খন্না খাঙলিবনি, মীতৈশিং মীকিথী নত্তে, অপঙবা নত্তে, কুকি কিবসু নত্তে। লানসিদা হঞ্চক-ঙাচক শাবশিং মরীল তেংগে খল্লিবনি, মালেম পূম্বদা শবাক ফাক্কে তেমশিংলিবনি। অপঙবা কুকিগা মান্নবা তল্লি হায়নরিবসি ইকায়বা খঙউ। ফত্তবগী হীদাক লৈত্রবসু, অফবা ঙাক্তগী লৈবাক ওইনবা শিবা কিদ্রবা মীতৈনা খঙহন্দনা খূৎ থারকপদা পোপি চীংমাই হুন্দোক্লম্লগা থৱায় পুদুনা অনৌবা লমদম থিবা চেনখিনি। নখোয়গী টাইগর রোদকাদু কুকিনা হীংথৎ থৎখ্রবা মীতৈ থৱায় কয়াগী শৈদাংফম ওইখিদুনা কুকি ফূরুপকী মনম নম্বা ঙমদবা ঘোস রোদ ওনখিবসু য়াই।

কুকিশিংতনা চথুরিবা ক্রাইম ময়ামসিগী ৱায়েল চথুবদি কুকিশিং মপূন্সি চূপ্পা কৈশুমশঙদা থম্বনসু কোন্নরোই, মপোক তরেৎলক হাৎলসু মরাল কোকপা ঙল্লোই। পোপি থাদুনা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কয়া শুংলগা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং মহাউ য়াওদবা পূন্সি ওইহনবগী ক্রাইম, দ্রগ লল্লোনবগী ক্রাইম, লোনা য়াদবা অফবা মখলগী খূৎলায় শীজিন্নবগী ক্রাইম, হান্না নুংশিননা লৈমীন্নরম্বা মীতৈশিংগী য়ূম মশীং খঙদা তুম্না মৈ থাখিবা, পোৎ চৈ হুরানখিবগী ক্রাইম, অঙাং য়াওনা অহল লমনশিং নুংশি হৈতনা হাৎপগী ক্রাইম। য়াম্না ৱাৎলি, কুকিশিংগী ক্রাইম ইবতদা লমাই চাম্মা-চনি ইরসু চিত্থবা য়াওনি। অদুক্কী মতিক মীনুংশি য়াওদনা হিংহাৎ হাৎখিবগী ক্রাইম কয়া অমসু মীতৈশিংনা লাচন্দুনা থল্লমগনি। কুকিশিং কনবীবা য়াবা লম্বী অমত্তা লোগী মীৎয়েংদা লৈতে। সিমক্তদা কুকিশিংগী নাপল হন্দ্রি, মীতৈগা লান তৌনবা পেন্দ্রদুনা নাগা ফূরুপ্তা অমুক লানগী চেলেঞ্জ তৌরি। কয়াম মথৌনা লৈবা কুকি ফূরুপ্লো, মীতৈশিংনা খঙবদদি কুকিশিংসি মপুনা ইনশিনবদা চুম্মী-লাল্লি খঙদনা পঙখোংদা খোংবা হূইনি খল্লি। হূইদুসু করম্বা হূইনো হায়বদা মপুনা চাকথাক পীদ্রবদি খোংবা ঙমদবা অঙাওবা হূই। অসুক থীনা হায়রক্লিসে শাওরুনু কুকিগী লমচৎ শাজৎননি।

খঙনবা হায়রসু নৱা লৌদে হায়রক্কনি। লৌনীংলগা লৌ, লৌনীংদ্রসু কায়দে ’সিমদি খঙজিল্লু, “মপাল খুদিং মহৈ য়ান্দবনি, অরংবা খুদিংমক মনি-মুক্তা নত্তে, মঙ খুদিংমক তাইবঙদা ওন্থোকপা য়াদে, ৱাখল খুদিংমক ওইথোকপা য়াদবনি। সিমসু ৱাখল তাউ-ওইথোক্লোই হায়বা খুদিংসু লীক্লম্বু চুল্লবদি ওইথোকহনবা য়ারে হায়বগী মতম্নি হৌজিকসে। সুট-টাই পুন্দুনা চর্চতা চৎপদি হৈবা, ৱেষ্টর্নগী ফিজেৎ ফিগাই শেৎ চাদুনা বোল দান্স তৌবী, দ্রগ-মফিয়াশিংবু যিশুগী ইনকার্নেশননি খন্না ইকায় খুম্নরিবা কুকিশিংনা নোং ঙাল্লরোইদৌবা অহিং অমদা মঙলিবা মঙ ময়ামদুনা লাকহৎলক্তুনা মঙলাক্নরক্লবদি শিফম নাফম খঙদনা শিখিবসু য়াই। ●

# হৌগৎলক্লীবা নহাশিংনা ইপাল ফরিঙৈদা মতমগী মমল খঙনা চৎশি

– কাংজম হেমন্ত –

ঐখোয়না লম্বী সুম চৎপদা তুং হল্লগা অমুক-অমুক য়েংই। পূন্সিগী লম্বী লমশাং চৎলকপদসু তাম্না আদা লাপ্পা লৈহৌরিবা পূন্সিগী হৌখ্রবা ৱারি, থৌদোক কয়া মরক মরক্তা নীংশিংলকই। থৌদোকশিংদু নীংশিংলুবা মতমদা পুক্নিংদা নুংঙাইবা ফাওরকপসু য়াওই অদুগা অৱাবা, পুক্নিং নুংশিবা মতাংসু অদুম ময়াওই। অসুম খঞ্জিল্লুরবদি নুংশিনা লোয়নরম্বা তিন্নরম্বা মরুপ মপাং, ইমুংগী নুংশিরবা ইমা ইপা , ইবুবোক, ইবেনবোক মথং মথং লোইনা মীৎমাংদা চোংথোরকই। মখোয় পুম্নমক অমত্তা উরক্ত্রবা মতমসিদা অমুক খল্লকই, ঐগী পূন্সিনা কয়াম কুইনা হিংখিদৌরিবা? ঈয়াইদা তাউবা কোঙ্গোলগা পূন্সিগা চাংদম্নদুনা ঈশৈ ওইনা কয়া শক্লরি, শৈরেং ওইনা কয়া অমা ইনরি। কনা অমনা পূন্সিবু থম্না থক্তা পকপা ঈশিংগা চাংদম্ননৈ। পোকপা অমদি শিবা অনিগী মরক্তা পূন্সি অমগী শক্তম লৌরগা ড্রামাগী আর্টিষ্ট অমগী রোল লৌরিবা মীওইবা ঐখোয়সে কয়াদা মরাইবক ফখ্রবা মপোক্লো! ঐখোয় মীওইবগা লোয়ননা হিংমিন্নরিবা থৱায় পানবা অতৈগা য়েংনবা মতমদা মীওইবনা খ্বাইদগী মরাইবক ফবা অমা হায়বদু ওইরি।

ঙসিগী তাইবংপান অসি মহৌশা ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা থেংনরকখিবা পূন্সিগী তাঙ্কক্তুগা থাক য়াম্না চাউনা খেন্নরে। ঙসিদি মালেমসি খুঙ্গং অমগুম য়াম্না নকশিন্নরে। পৃথিবীসে খুবামনুংদা লৈরে। ঙরাং নেপালদা হাখিবা যুহার হাবগী পাউ অমদি শক্তম ঐখোয়গী ইমাংদা থোকপগুম খুদক্তা উবা ঙল্লে। কয়াদা চাউনা লাকখ্রবা অহোংবনো? মসি মীওইবা মশেলগী মরক্তা ৱাখল লৌশিং ৱাংবা মীওই য়াওরক্তুনা মখোয়গী ৱাখলনা খল্লগা শেম শাদুনা পুথোরকপা খুৎশু খূৎলায়গী মপান্দগী ওইরকপা ঙাক্তনি।

হৌখিবা মতমশিং অদুগী মমল অমদি মতম হায়বসিগী ঈচেল অসিনা তকথরক্তুনা পুরক্লীবা অহোংবশিং অসি মগুণ, মতিক ময়াই অসি ঙসিতা ময়েক শেংনা খঙলকই। মদুসু পূন্সিনা য়াচংলক্লবা মতম অসিদনি। অদুঙৈ নহা ওইরিঙৈ, শোল্লক্কনি, অহল ওইরক্কনি হায়না নোংমতা খল্লুদবা মতম অদুদা মতম অমদি মসিগী শক্লোন অসিগী মতাংদা করিমত্তা হেক খন্থবা ঙমখিদে।

মসিমদি হায়নিংই, তাইবংপান অসিদা কুইনা পূন্সিরকপা হায়বসি তোঙান তোঙানবা থৌদোক মখল মখা কয়াগী ৱাখল লৌশিং কয়া থেংনদুনা লাকপনি। অসুম্না ঙসিগী মীরোল অসিনা তুংদা খঙলকপা য়াবা অমদি খল্লক্কদবশিং অসি হেক হেক হায়নিংলকই। মহৌশা ঐখোয়গী ইথক থোংবা অহল লমনশিং অমদি ইপা ইমা অমদি মখোয়গা লেংগা ওইবশিংনা ঐখোয়দা ঙাঙলম শক্লম্বশিংদো নিংশিংলকই। খল্লুরগা নিংঙমলক্তে, পুম্নমক অদো মখোয়গী কান্নগদবা অমত্তা নত্তে, ঐখোয়গী কান্নগদবা ঙাক্তনি। অদুবু মতম অদুদা থোইনা লুম্না লৌরুদে। অসুম্না চেন্থরক্লিবা মতমগী ঈচেল অসিদা ঙসিগী মতমনা পুরকপা অনৌবা লৌশিংগী মঙাল ফংলবা হৈথোই শিংথোইরবা নহা মীরোল অসিদা ঐখোয়না হায়নিংলিবা ৱাশিং অসি মখোয়না খোয়জংনা তানিংগনি হায়বসে পুক্নিংদা লামশিনবা ঙমদে।

মখোয়না অঙকপা অনৌবা মতমগী অহোংবা মরক্তা হৌরক চাউরক্তুনা মদুগী চপ চাবা নুংঙাইবা অদু ফংলবা অমরোমদা মদুমক ঐখোয় হনু মাল্লে চল্লবশিংনা মপুং ফানা ফংবা ঙমদ্রবসু, ঐখোয়না নুমিৎ থা হান্না উরকপা অমা ওইনা ইচম চম্না মসিমদি হায়নিংই মদুদি মখোয়না মখোয়গী তুংগী পূন্সিদা নিংবা কায়নিংঙাই ওইরোই হায়রগদি হৌজিক মপাল ফরিঙৈ মতম অসিমক্তদা মতমগী মমল অমদি মতমনা পুরকপা অহোংবশিং অসি মাঙজৌননা মমুৎ তানা খঙহৌবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি মসিনি। মসিনা মহাক্লা থেংনা ৱাখল তারকপগী নিংঙমদবা অদুমদি ওইরোইদবনি। মতমনা কনাবুসু ঙাইবিদে হায়বসি মীওইবা খুন্নাই অসিনা তঙাই ফদনা খঙফম থোকপনি। শেলগী মমল অমদি পোৎকী মমলদা ঙসিদি কয়াদা চাউনা অহোংবা লাকখ্রবনো। পুম্নমক অসি ঙরাংতগুম খল্লি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ ইমা পাবনা পৈশা ২৫ / ৫০ পীরগদি হরাউবনা লোইরে, চানিংবা অচাপোৎ নিংথুংনা চাবা ফংই। হৌজিক্তি লুপা ১০ গী ভেল্যু লৈরক্ত্রে। কয়াদা শাথিনা খেন্নরক্লিবা।

অসিগুম্বা মতমগী তাঙলবা মমল হোংলক্লীবা অওনবা অসি সনা লৈবাক মণিপুরদা লৈরিবা সনা লৈবাক্কী লাইগী মচাশিং অসিনা খঙদে। হৌখিবা নৎত্রগা হৌখ্রবা মতম হায়বা অসে অমুক খক হল্লক্লরোইদ্রবনি। ইচুম চুমদুনা লৈরবা কনানসু ককপা ঙল্লরোইদবা ৱাফম অসি কনামত্তনা নিংশিংদে। মসি মীচমশিংগী ৱাদ নত্তে, য়াইতোং খমদোংবা, লাইরিক লাইশু হৈরবা কোঙ্গাই অমসুনি। মখোয়গুম্বা য়াওগদবা থৌরম অমত্তা মতম চানা ইনভিটেসন কার্দতা থারিবা মতম অদুদা হৌবা য়াওদে। অমরোমদা থানখিবা মতম ঙাকচনবা হোৎনবা মীওই খরবু মীয়াম্না মীমান্নদবগুম চিবোন চিবোন ঙাঙনৈ। কোন্নথংদদি মখোয় অদু ফাওবা ময়ামগী য়েংদুনা মশাগী মাঙহন্নিংদবা মতম অদু মরন্নাইগী শীজিন্নথোক্লগা ময়ামগী ওইবা মতমদা মীরক তিনবা থোক্নরকপা ফাওবা য়াওরবনি। অসুম্না পুং ২৪ অসিগী মনুং থৌরম অমগীদমক অয়ুক্তগী নুংথিল অমদি নুমিদাং ফাওবা কান্নফম খঙবা থবক নত্তবদা মতম মাংথোকপদা পাম্মুবা ফাওনদে। লমদমশিগী চৎনবীগী থৌদোক ৱাথোক, হৈজিং-খরায়, লুহোংবগী, মপাম চাক্নৌবা, য়াওশং কুম্মৈ অমদি তোঙান তোঙানবা কুম্মৈ ফীয়োং কয়া অমদা মাঙহল্লিবা মতম। মুন্না খল্লুরবদি মসি খুন্নাইশিগীদমক্তদি মাঙজবা অমনি।

ঙসি মণিপুরী খুন্নাইদা নৌরিবা মহৈরোয়শিংগীদমক মাঙলিবা মতম অসি কনানা মতিং থোক্লা খনবা অমদি পাম্বোম তিংবা য়াওরিবগে। লৈবাক্কী ওইবা ইহৌগা মরী লৈনবদা মণিপুর গভর্নমেন্টনা নত্রগা লনাই লূপ কয়ানা মহৈলোয়শঙশিং থিংজিল্লকপা য়াওরকপদা মহৈরোয়শিংনা মহৈলোয়শঙগা লাপথোক্লবা তারকই। মহৈরোয়শিংগী পূন্সি তাঙ্কক অসিমুক মমল য়াম্বা লৈতবনি। মখোয়গী পূন্সিদা মহৈ মশিং অনৌবা ৱাখল লৌশিং তানশিন্নবা হোৎনগদবা মতম অসি মাঙহনবা হায়বসি কৈদৌনুংদা অমুক হল্লক্লরোইদবনি। লাইমক্লসু হঞ্জিনহনবা ঙম্লরোইদবনি। মসিনা মণিপুরী খুন্নাই অসিগী ওইনা মতমগী চাওখৎ লমজেল অসিদদি লীশাং শীৎনা পুথদুনা লৈহৌরগনি। এদ্যুকেসন হায়বসি হিরম খুদিংমক্তা চন্নদবা য়াদ্রবা অমনি। মী অমগী তুংগী করিয়র শেম্বদা এদ্যুকেসননা চৈঙাক ওইগদৌরিবনি। এদ্যুকেসন হায়বসে হ্যুমেন রিসোর্সনি।

হৌরক্লীবা মহৈরোয়শিংনসু মতম্বু অরেম্বদা মাঙহল্লোইদবনি। পূন্সিবু খাঙুথক্তা মাঙহল্লিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্পা লৈনবা হোৎনসি। সোশল মীদিয়া অসি কাঙলোন চুম্না শীজিন্নদুনা কান্নবা মোতিবেসন, নেট ৱার্কিং, সোশল রেস্পোন্সিবিলিটি, তৌবা য়াই ঐখোয়গী তুংগী কান্ননবগীদমক। টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা ৱাখল লৌশিংসু চাওখৎনবা হোৎনসি। মোরেল মাঙথনবা হোৎনগুমসি, হায় টেক্নোলোজি লো মোরেল্লিটি হায়বদুদি তাহনগুমসি। শান্ন-খোৎনবদা পৱার হাউস ওইরিবা অসুম্না এদ্যুকেসন্দসু পৱার হাউস ওইনবা হোৎনসি, অদুগা ঐখোয় অইদিয়া ওফ মণিপুর, কল্লেকটিভ ভীজন ওফ মণিপুর ওইনবা ঐখোয় হোৎনমিন্নসি। লৈবাক অসিগী তুংগী মরাইবক নখোয়গী খুত্তনি। অদুনা ঙসিগী হৌগৎলক্লীবা নহারোলশিংনা ইপাল ফারিঙৈ ইমা ইপানা ঙাক্লৌ পীরিঙৈ মতমগী মমল খঙনা, মতিক চাবা মী অমমম ওইনবা হোৎনহৌসি। মতিক চাবা মতমগা চান্নবা লৌশিং লৈরবা মতমদা খুন্নাই অসি অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্তুনা চাওখৎলকপগী থাজবা মাঙলোমদা চেনখৎলকপা ঙমগদৌরিবনি। ●